# ষ্টেট ম্যুজিয়মগী মীহুৎশিংনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী টিম অমনা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফাইপিজাং ভীলেজদা লৈবা ৰৰ্ল্ড ৱার টু মেমোরিএল ফাউন্দেসন মণিপুরগী টেম্পরেরি ম্যুজিয়মগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ষ্টাফশিং অদুগী মনুংদা ক্যুরেটর ৰাই বিনিতা দেবী অমদি অতৈ ষ্টাফ কয়া য়াওরি। ৰৰ্ল্ড ৱার টু মেমোরিএল ফাউন্দেসন মণিপুরগী ম্যুজিয়ম অদু টিম অসিনা চত্তুনা কুপ্না য়েংশিনখি। টিম অসিনা ইম্ফাল মোরে লম্বী পরিংদা লৈবা সেনম ভীলেজদসু চত্তুনা ম্যুজিয়ম শানবা থৌরাং তৌরিবা মফম য়েংশিনখি।

ফাউন্দেসন অদুগী মীওইশিংগা ক্যুরেটর ৰাই বিনিতানা উনদুনা ৱারী শানখি। পোৎলমশিং নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী মতাংদা তৌবা য়াবা কাঙলোন কয়াগী মতাংদসু তাক্লমখি। ৰৰ্ল্ড ৱার টু মেমোরিএল ফাউন্দেসন মণিপুর অসি লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# তোৰ্ব্বান শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল তুরেল তোৰ্ব্বান পরিংগী অরিবা থুম্বুথোং অমদি অনৌবা থুম্বুথোং অনীগী মরক্তা বামোন লৈকায় বচস্পতিময়ুম লৈরক মপাদা ফীভম শোক্লা লৈরবা তোৰ্ব্বান ঙসি সোসল ৱাৰ্কর নিংঙোম্বম হেলেন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা শেমজিনখ্রে।

ইম্ফাল তুরেল তোৰ্ব্বান পরিংদা বামোন লৈকায় বচস্পতিময়ুম লৈরক মপাগী তোৰ্ব্বান অসি নমথখিবনা মরম ওইরদুনা খুদোংথিবা ফীভমদা লৈবদগী নিংঙোম্বম হেলেন্দ্রোনা মীৎয়েং চঙদুনা শেমজিনখিবনি। নমথখ্রবা তোৰ্ব্বান অসিদা ফক্লোংনচিংবা থাদদুনা লৈবাক থোন দুনা শেমগৎখি। ঈশিংগী ঈমায় ৰাংখৎলকপা মতমদা খুদোংথিবা ফীভমদা লৈরবা মফম অসি লৈবাক থোঞ্জিন্দুনা শেমজিনখিবনি।

লমদম অদোমগী মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, ইম্ফাল তুরেল তোৰ্ব্বান পরিংগী বামোন লৈকায় বচস্পতিময়ুম লৈরক মপা অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ফীভম শোক্তুনা লাক্লবনি। ঈশিং ঈমায় হেনগৎলকপা অমদি নোং কা হেন্না চুরকপা মতমদা ফীভম শোক্লা লৈরবনি। তোৰ্ব্বান অসি নমথরকপদগী মীপাইবা কয়াসু পোক্ল রিবনি। নিংঙোম্বম হেলেন্দ্রোনা মীৎয়েং চঙবীদুনা তোৰ্ব্বান অসি শেমজিনবীবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ৱাকৎ মীফম

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : য়েলহৌমী কন্নবা জোইন্ট কম্মিটি ওফ ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) গী হান্না কনভিনর ওইরম্বা খোমদ্রাম রতনগী মথক্তা মনিপুর লৈঙাক্লা ৱান্টেদ লাওথোকপা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অমদি আই এল পি এসপু অথুবা মতমদা চৎনহন্নবা ঙসি শিংজমৈ ৱাংমা থোংখোংদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ এন্নাউন্সমেন ওফ ৱাবেটদ (জে এ সি আই এল পি এস) কী লিদর খোমদ্রাম রতন এন্দ ইম্প্লিমেন্টসন ওফ আই এল পি এস শিংজমৈ ৱাংমনা শীন্দুনা ঙসি জে এ সী অমদি ওইনাম থিংঙেল অপুনবা মৈরা পায়বী লুপকী থৌমীশিংগা খুৎশম্নরগা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ দগীনা নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা শিংজমৈ ৱাংমা থোংখোংদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখি হায়রি।

**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking Upto Date
***Stk:612***
***19 kg Commercial Stk:100***
*First come first serve*
*(Khudak ta book touraga louba yagani).*

**K&K INDANE SERVICE**
Booking Upto Date
***Stk:306***
Timing:07:30am -11:30 am
*First come first serve.*

**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto:13/05/2016
Valid From: 04/05/2016
***Stk:612 (DBTL Only)***
Timing: 07:00am -10:00 am.

**MAHALAKSMI INDANE**
**SL. NO. 2000004560**
Booking Upto:16/04/2016
Valid From: 07/04/2016
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 07:00am -10:00 am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:13/06/2016
Valid From: 27/05/2016
***Stk:918***
Timing: 07:00am -11:00 am

# কোংগ্রেস পার্টিনা চথবা করপসন খাঙবা ঙমদবদগী মীওই কয়া চেন্থোরক্লিবনি: এমএলএ জয়কিশন




ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : মনিপুরদা লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেস পার্টিগী মীহুৎশিংনা চথবা করপসন খাঙবা ঙমদবদগী মীয়ামগী সেবা নিংথিনা তৌবা পাম্বা মীওই কয়া কোঙ্গ্রেস পার্টিদগী চেন্থোরক্লিবনি হায়না বি জে পী মনিপুর প্রদেশকী লেজিসলেচর লীদর এম এল এ খুমুকচম জয়কিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

পাৎসোই এ সিদা কোংগ্রেসকী মরু ওইবা মেম্বর ওইরম্বতা নত্তনা পি দি এসকী এজেন্ট ওইরম্বা মীওই ১৭ না কোংগ্রেস থাদোক্লগা ঙসি বি জে পীদা য়াওরকপবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি এম এল এ জয়কিসন্না ফোঙদোকখিবনি।

নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পী মনিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ জয়কিসন্না মখা তানা হায়খি, থৌবাল ৱাংমা তাবদা নৌনা শাখিবা মার্কেট সেদ নমথরকপা অমসুং নীংখায়রকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ইঞ্জিনিয়র অমদি কোন্ট্রেক্তরগী মরাল লৈতে হায়না হায়খিবা অদু অঙকপা পোকই। চীফ মিনিষ্টর টেক্নিকেল এক্সপর্টলা। মার্কেট সেদ অদুবু শাখিবা ইঞ্জিনিয়র কনখৎতুনা থম্বগী মরম করিগীনো। মরাল লৈবা মীওই কনখৎতুনা থম্বা অসি চীফ মিনিষ্টরনা মীচং মীখায় নায়বা থৌওং চথ্দুনা মীপুম খুদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীদে তাকপনি। মমাংদা কৈরাও লৈতান মখোঙদা থোংগী ফম্বাক ঈশিংদা তাখিবা মতমদা থোং অদু শাখিবা ইঞ্জিনিয়র সস্পেন্দ তৌবীখি। মতম অদুদা এক্সন লৌখৎখ্রগা হন্দক্লা ইঞ্জিনিয়র অমসুং কোন্ট্রেক্তর করিগী এক্সন লৌখৎতনা কনখৎলগা থম্বনো।

কোংগ্রেস পার্টিগী এক্তিভ ৱার্কর ওইরম্বতা নত্তনা পাৎসোই এসিগী পি দি এস এজেন্টসু ওইরম্বশিংনা কোংগ্রেস থাদোক্লল্লগা ঙসি বি জে পীদা য়াওরকপা অসি তরাম্না ওকই। কোংগ্রেস পার্টিনা মনিপুর চাউখৎনবগী থৌদাং য়াবগী মহুত্তা লমদম অসিবু মাঙহন তাকহন্দুনা লৈরে।

ইন্দিয়া পুম্বদগী কোংগ্রেস মুখৎলু হায়দুনা ঙসিদি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোংগ্রেস মরু ফুকখ্রে। হন্দক্তসু অসামদা কোংগ্রেস মরু ফুকখ্রে। মনিপুরদসু য়ৌরক্লগনি। মনিপুর খুন্নাই অসিবু কলহৌনবগীদমক কোংগ্রেস পার্টিবু মরু ফুক্লসি।

বি জে পীনা সেন্তরদা লৈঙাকপা হৌরকপদগী মনিপুর অমসুং লৈবাক পুম্বদা করি অহোংবা পুরকখ্রবগে হায়না মনিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা হংলকখিবা অদু অঙকপা পোকই। বি জে পীনা চহী অনীরোম লৈঙাক্লকপা মতম অসিদা অহোংবা কয়া পুরকখ্রে। মতম অমদা চাকথোং গ্যাস ফংদবগী অৱাবা লৈরম্বা অদু ঙসিদি করি ফিবমদা লৈরে হায়বদু এম পি সি সিগী প্রসিদেন্টনা খঙজিনবা চুমগনি। সেন্তরনা মনিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা স্কীম কয়া পায়খৎলক্লবসু মনিপুর গভর্নমেন্টনা নিংথিনা থবক্তা ওন্থোক্তবদগী মনিপুর মীয়াম্না কান্নবা কয়া ফংবা ঙমদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার শৰ্ম্মনা হায়খি, নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈরিবা বি জে পীগী গোভর্নমেন্ট অসিনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিংদা শরুক য়ারগে হায়দুনা মীওই ১৭ না ঙসি বি জে পী মনিপুর প্রদেশতা য়াওরকপা অসি তরাম্না ওকই।

লৈবাক পুম্বদা কোংগ্রেস পার্টি তোরা তুরে। মনিপুরদসু তুরা তুরগনি। কোঙ্গ্রেস পার্টিগী মীহুৎশিংনা চথবা করপসনবু পাম্নরক্তবদগী ঙসি কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরম্বা কয়া তপ্না তপ্না তোক্লরক্তুনা অতোপ্পা পার্টিশিংদা য়াওনরক্লিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরমদুদা নৌনা বি জে পীদা য়াওরক্লবা মীওই ১৭ অদুগী মায়কৈদগী, কোংগ্রেস পার্টিনা চথবা মওং তাদবা থৌওং কয়াদা শরুক য়ানিংদবদগী বি জে পীদা য়াওরকপনি। বি জে পীদা য়াওদ্রিঙৈদা কোংগ্রেস পার্টিগী মখাদা পাৎসোই এ সিগী পি দি এস এজেন্ট লৈরম্বা অদুসু তোকচরে। ফোঙদোকপদি ঙমজদবা, অরানবদি তৌনিংদবা এজেন্ট কয়ানা পাৎসোই এ সিগী মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লগা পেন দবশিং অদু ফোঙদোকপীরকউ। কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকচরগে হায়রুবগীদমক ঐখোয়বু লান্না উহন্নবা হোৎনরকখিবা থৌওংশিং অদু লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# ইরোল ইয়েক চাউখৎহনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাংনি: নবকিশ্বর পদ্মাশ্রী

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : লোল অমদি ময়েক চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী বোর্দনা লৌবা ক্লাস টেনগী মণিপুরী (মীতৈ ময়েক) সবজেক্ততা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তারক্লবা মহৈরোয়শিংদা পীবা লাইশ্রম ধনি লৈমা নীংশিং মনা, ২০১৬ চহীসিগী ওইনা মহৈরোয় ২৩দা পীখ্রে।

লম্পী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ, সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক্লা শীন্দুনা য়ুরেম্বমদা লৈবা রোজ গার্দেনদা পাঙথোকপা ২২রক শুবা নীংশিং মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদুদা কোন্থৌজম এ সীগী এম এল এ কে শরতনা অথোইবা মীথুং ওইখি। নীংশিং মনা অসিবু কৎলিবা ফাদর ওফ হেন্দিকেপ মিংথোন পীখ্রবা পদ্মাশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বরনা থৌরম মপু ওইখি। দ ব্রিলেন্স স্কুলগী প্রিন্সিপাল ঐচ সোনামণি অমদি জেনিথ একাদেমিগী ফাউন্দর এস প্রেমিলানা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

নীংশিং মনা অসি করিগীদমক মহৈরোয়শিংদা পীরিবনো হায়বগী মতাংদা এল নবকিশ্বরনা হায়খি, লমদমসিগী লোল অমদি ময়েক চাউখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি ইরৈচা খুদিংমক্লা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌদাংনি। ইশা ইশানা ঙম্বা থৌদাং অমমমদি লৌফম থোকই খনবদগী অপোকপীগী মিংদা মীতৈ ময়েক্তা মার্ক য়াম্না ফংবা মহৈরোয়শিংদা মনা অসি পীবনি।

মহাক্লা হায়খি, নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা ইমা লৈবাকপু নুংশিবা অমদি মতম লিক্লা শীজিন্নবা তঙাইফদবা লৈ। ৱাহৈ অনী অসি ঙাকপা ঙম্লবা মহৈরোয় নৎত্রগা মীওই অদু মায় পাকপগী লম্বীদা চঙবা হৌরবনি।




মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ওফিসল লেঙ্গোইজ ওইনা মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈ ময়েক শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি। দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা য়াথং পীদুনা চৎনহনবা ঙম্বা হোৎনরসি। মতম অমদা ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী থৌরম অমদি ৱাহৈ ৱাতাদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ কয়া য়াওরমই। মহাক মশা চত্তুনা মীরোলদা শীজিন্নদনবা কয়ারক হায়জবদগী ঙসিদি অদুনিক ঈশৈগী মহুত্তা মতম ঈশৈ, য়ুবা ভানিগী মহুত্তা নহারোল খোঞ্জেলনচিংবা ৱাহৈশিং শীনে দাকখ্রে, কয়াসু শীন্দোকপা মথৌ তাই হায়খি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা এম এল এ, কে শরতনা হায়খি, ঐখোয়গী খুন্নাইসিনা মমা-মপা মশক খঙদনা হিংলক্লিবসি চহী ফনা য়াম্লে। ইরোলদা ঙাঙবা, ইয়েক্তা ইবদগীদি ইংলিস নৎত্রগা হিন্দীদা ইবা ঙাঙবনা চাউখৎপদৌনা লৌনরকপা মতমনি। অসিগুম্বা ৱাখল খনবা মীওইনা মশীং হেনবদগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা লোল অসিগী ময়েক শেনয়েক্তা হাপ্পা ঙমদ্রিবনি। এল নবকিশ্বরসু তুল্লিবা কয়াবু হৌদোক্লবা হোৎনরিবা লমদমসিগী ৱাজখিবা লময়ানবা অমনি হায়খি।

থৌরম অদুদা নির্মালাবাস স্কুলগী সোহানা লাইশ্রম (মার্ক ৯৮), চেতানা রাজকুমারী (মার্ক ৯৬) অমদি টাইনি টোটস য়ুনিক স্কুলগী তাঞ্জুল মচা ৱোরসোরোম চিংথুং (মার্ক ৯৫) য়াওনা মহৈরোয় ২৩দা লাইশ্রম ধনি লৈমা নীংশিং মনা পীখি। মহৈরোয় ২৩ অদুগী মনুংদা মার্ক ৯৮, ৯৬ অমসুং ৯৫ ফংবা মহৈরোয় ১৪ য়াওখি। অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মথংশিৎড়া লুপা লীশিং ৫, লীশিং ৩ অমদি লীশিং ২গা লোয়ননা শকখঙ চে অমদি *চুমই হায়না লৌবিব্রা? লাল্লি হায়না লৌবিব্রা?* হায়বা লাইরিক অমমম পীখি।

# এক্সিদেন্টদা সি আর পি এফকী পর্সোনেল অমা শোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ক্যামগৈ পল অহনবী মপাদা লম্বী ময়াইদা শাংনা ফুট অনীরোম পাক্লা খরা কুখদুনা লৈবা মফম অদু পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা শেম্বীদবদগী য়াম্না তোয়না এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন কয়া তোয়না থোক্লে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা হায়রিবা ক্যামগৈ পল অহনবী মপা হায়ৰেগী লম্বী ময়াইদা হান্নদগী শাংনা কুখদুনা মফম অদুদা ইম্ফাল্লোমদগী লিলোং তম্না থৌরকপা হোন্দা এক্তিভা তোংবা নুপা অমা লম্বীদা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোকপদগী শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

শোক্লবা নুপা অদুগী মমিং মথা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মহাক্কী গাড়ীগী চেদা য়েংলুবদা লিলোং অরাপতিগী অবুংচা কৌই হায়রি। মহাক সি আর পি এফতা কন্সটেবল ওইনা লৈবনি হায়রি। মহাক্কী মশাদা সি আর পি এফকী নোংমৈ মচা অমসু য়াওরম্মী হায়রি। শিংজমৈ পুলিসনা অশোকপা মীওই অদু রিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

হায়রিবা ক্যামগৈ পল অহনবী মপাদা লৈরিবা অকুৎপা মফম অসিদা অতোপ্পা গাড়ী মচাদা তোংদুনা লাকপা নুপা অমসু এক্সিদেন্ট থোক্তুনা তুশিনখি অদুবু কা হেন্না শোকখিদে হায়রি। লম্বীগী নাকলদা লৈবা মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা ক্যামগৈ পল অহনবী মপাদা লৈরিবা লম্বী ময়াইগী কুখবা মফম অসি মনিপুর লৈঙাক্লা শেম্বীদবদগী মফম অসিদা য়াম্না তোয়না অমদি নুমিৎ খুদিংগী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশোক অপন কয়া য়াওরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হায়রিবা মফম অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা অপিল তৌরক্লি।

# জেনিমস চৎখিবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈবা দ্রেন শেম্বীদবগী মীয়াম্না লম্বী থিংলুরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সোইবম লৈকায় অমদি খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায়গা তায়নবা জেনিমস রোদ তাবা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈবা দ্রেন মতম শাংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বীদবদগী ঙসি লম্বী থিংদুনা খোঙজং চথরুরে।

লম্বী অসি নোং খিক্তং কন্না তাবদা ঈশিং চেনফম লৈতদুনা সোইবম লৈকায় এরিয়াদা লৈবা লম্বী অমদি ইঙ্খোল কয়া থুমবদগী ঙসি জে এস সী ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনেল ক্লব, খুরাই অহোঙ্গৈ, সিটিজন ক্লব সোইবম লৈকায় অমদি মৈরা পায়বী য়াওনা শেমখিবা জে এ সীনা শীন্দুনা লম্বী থিংদুনা স্কাভেটর অমনা লম্বীগী নাকলদা লৈবা দ্রেনশিং কোৎথোকপা হৌখ্রে।

জে এ সীগী চ্যেরমেন মহেন্দ্র নাওরেম্না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, লম্বী অসি মতম শাংনা মনিপুর লৈঙাক্লা শেম্বীদবদগী জে এ সীনা মরী লৈনবা ইম্ফাল ইষ্ট দি সিদা হৌখিবা জুন ১৪ দা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা নুমিৎ ১৫ নি মনুংদা লম্বী অসি শেম্বীদ্রবদি লম্বী থিংগনি হায়বা ফাওবা ৱাকৎপা লৈখ্রে। মসিদা নত্তনা ৱাঙ্খৈ এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ য়ুংখাম ইরাবোৎতা লৈকায়গী নুপীশিংনা হায়রিবা লম্বী অসি শেম্বীনবা অমদি নাকলগী দ্রেনশিং অসি শেমজিন্নবা কয়ারক হন্না ৱাকৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা লম্বী অসি থিংবা হৌরকপদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন অমদি এ সি অসিগী এম এল এ ৱাই ইরাবোৎ মখোয় অনী লাক্তুনা লম্বী অসি য়েংশিল্লমখি। ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লম্বগী মতুংইন্না লম্বী অসিগী দ্রেন অমদি লম্বীগী ফিবম অসি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা শেল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি। অদুবু জে এ সীগী মায়কৈদগীদি মনিপুর লৈঙাক্লা থাজবা পীরম্বা অদু নুমিৎ মঙানি ফাওবগী মনুংদা শেম্বা হৌদ্রগদি মখা তানা অমুক লম্বী থিংলকপা য়াই হায়রি।

ঙসি জে এ সীনা শীন্দুনা স্কাভেটর অমনা লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা দ্রেনশিং খোৎতোল্লগা তেংথোকপা হৌখি। লম্বী থিংলম্বা মৈরা পায়বী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, নোং খিক্তং তাবদা সোইবম লৈকায় অমদি খুরাই অহোঙ্গৈ তায়নবা জেনিমস হোস্পিটালগী তায়নবা লম্বী অসি ঈশিংনা ৱা ৱা চেন্থরক্তুনা সোইবম লৈকায়রোম থংবদা ইমুং ফাওবা ঈশিং চংবা য়াওরে।

লৈকায় অসিদা নৌনা হোংলকপা য়ুমশিংদি য়ুম্ফম ৱাংনা থোনবনা অৱাবা ওইদে। অদুবু খুরাই অহোঙ্গৈরোমদগী চেন্থরকপা ঈশিংনা সোইবম লৈকায়গী এরিয়াদা লৈবা অকুৎপা মফমশিং দ্রেন মতিক চানা লৈতবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া তত্তনা থোকহল্লি হায়রি। মরম অদুনা মনিপুর লৈঙাক্লা হায়রিবা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা দ্রেন অসি নৌনা দিমার্কেসন তৌবীদুনা দ্রেন অনী অসি পাক্কা দ্রেন ওইনা শেম্বীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# শেলথুমগী থোং মান্নদ্রবদি...

*লামায় ১গী মখা...* লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকপনি। মীয়াম তিনবা থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর টি রঞ্জিৎ, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকি দেপ্যুটি কম্মিস্নর কে এস ঐচ রোবার্ট, ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন এম ইনাকখুনবী, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দেপ্যুটি রেজিষ্টর ৰাই সোমোর্জিৎ অমসুং লৈঙাক্কী মচঙ ওইবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# সেন্টরদনা নুমিৎ ১৩৫ থবক...

*লামায় ১গী মখা...* পুং মশীং অসিসু খেন্নরি। ষ্টেট অসিগী ওইনা অয়াম্বা ওফিসশিংদা চাংচৎতা পুং ৫ রোম থবক তৌই হায়না পাই। সেন্ট্রেলগী ওফিসশিংদদি পুং মশীং অসিদগী হেন্না থবক তৌই। ষ্টেটসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ওফিস কয়াদা নুমিৎ কয়ানি চঙনা য়েংলবা মতুংদা রিপোর্ট অসি পুথোকপনি। মসিদগী হেন্না কুপ্পা রিপোর্টশিংসু পুথোক্লবা মীৎয়েং থল্লি।

পুং মশীংদা পাথোক্লগসু ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেলগী ওফিসশিংগী ওইনা থবক শুবগী পুং মশীং অসি সেন্ট্রেল ওফিসশিংদনা চাংচৎতা হেন্না চৎলি। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মতাংদা মতম চানা য়েংহৌবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পান নাগা শেম্বগী ৱাফম ...

*লামায় ১গী মখা...*চেন্থহনবগী ৱাখল্লোন অসি অফবা নত্তে। মদুগী মহুত্তা কাঙলূপ পুশিন্নদনা ফত্তবা থবক তৌরিবা মীওই অদুখক্তমক খন্নগদবনি। নুঙ্গৈদা লৈরিবা মীতৈ অমসুং পাঙলশিংগী মরক্তা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরিবসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি। মায়কৈ অনীমক্নসু ঈংনা চীক্লা লৈমিন্ননবা হোৎনগদবনি।

মহাক্লা হায়খি, কাঙলূপ অনী অসিগী লূচিংবশিং য়াম্না থুনা ঐখোয়গা ফম্মিন্নরগা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাক্লবা হোৎনমিন্নসি। মণিপুর লৈঙাক্লসু চপ চাবা লৈঙাক অমা ওইবগী তৌফম থোকপা থবকশিং অদু তৌবীয়ু। কনাগুম্বনা ক্রাইম চথরবদি ক্রাইম চথরিবা মীওই অদু মতম চানা ফারগা চৈরাক পীরল্লবদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্লল্লোই। হৌজিকসু মতম লৈরি। অথুবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাথোকশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, অমুকোগী প্রসিদেন্ট ডো. ৱাই মণি খুমন, অতৈ সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংসু ৱা ঙাঙখি।

# বন মহোতসব থৌরমগা মরী...

*লামায় ১গী মখা...* পাম্বীশিং থাদুনা মহৌশাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম কায়থরকপা মায়োক্লনবা অচৌবা থৌদাং য়ামিন্নরসি।

ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর ৱাহেংবম চন্দ্রকুমারনা হায়খি, মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবগী শরুক অমা ওইনা একাদেমি অসিগী কেম্পসতা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকপনি। একাদেমি অসিগী শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈননা অতাঙবা মখলগী উ চারাশিং অসি থাবনি। উ চারাশিং অসি থারল্লবা তুংদা মসিবু হিংহনবগী থৌদাং একাদেমি অসিগী ওইগদবনি।

মীওই কয়ানা খুৎশম্নরগা চথখিবা উ থাবগী থৌরম অদুদা হৈগ্রি, তোমাল, উনিংথৌ, কর্পুর, নিম, বোকুল, অগর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী উ চারা ১২০ লোম থাখি।

# চজিংদা লাঞ্জেন্নরকখিবশিংদা ...

*লামায় ১গী মখা...*মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম দি অরিফ খান মীশিগী মতাংদা লৈঙাক্না য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা জে এ সীনা শেম-শাদুনা লৈরি। মী অমবু হাৎতোকপীরবা, কয়া অমনা অশোক-অপন নংহল্লবা, মসিদা অমুক পেন্দ্রদুনা মীয়ামদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা য়াওরিবসিনা তাকপদি মখা তানা মীহাৎ-মীপুন চথখিগনি হায়বনি। অসিগুম্বা ক্রিমিনেলশিং অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ফাদুনা এক্সন লৌবগী মহুত্তা তুমিন্না লৈশিল্লিবসি মাইনোরিটিশিংবু হন্থনা য়েংবনি খন্দবা ঙম্লোই হায়রি।

# রিফোর্ম তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ঃ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), ময়ায় লোয়শঙগী ওগনাইজেসন সেক্রেটরি এম দি সদাম য়াওনা অচম্বা থৌরম অমা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা পাঙথোক্তুনা হিংয়াংলম-ৱাবগাই ব্রাঞ্চকী মহৈরোয়শিংগা পুন্না ফম্মিন্নরবা মতুংদা এম এস এফকী ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি হায়বা একাদেমিক কেম্পেইন অসিবু হেন্না মপাঙ্গন কনখৎহনবা অমসুং মহৈরোয় খুন্নাইগী মতিং থোকপা থবক থৌরমশিংদা মাঙজিল থানবগী পান্দমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হিয়াংলম-ৱাবগাই ব্রাঞ্চ রিফোর্ম তৌখ্রে হায়রি।এম এস এফ, ময়ায় লোইশঙগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এম দি সদামনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, ব্রাঞ্চ অসিগী কুমজা ২০১৫-১৭কী ওইনা প্রসিদেন্টনা ঈ থোইবা, জেনরেল সেক্রেটরিনা দল্লিয়ু গৌতম, পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা য়ুম্নাম নন্দমলা অমসুং ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিনা মাইবম রাকেশ খুমননা ওইরগনি।

askIITians | www.askIITians.com | powered by IITians
India's No. 1 Online Academy
Admission Open for 2016 Session
FREE MOCK TEST FOR NEET-II, 2016
NEET / JEE
Classes By Ex-IITians & AIIMSians Online / Offline programme
Applications are invited from NEET / JEE, 2017 aspirant students for "Super 40" Sholarship selection test for merit students to be held on 27th July 2016. Last date for registration: 25th July, 2016.
ONLINE FACULTY PROFILE FOR AIPMT / JEE
Physics: A. Alam, IIT Roorkee; Kuldeep Meena, IIT Delhi; Yash Baheti, IIT Roorkee
Chemistry: H. Reddy, IIT Roorkee; Akshay Meena, IIT Kharakpur
Maths: Nishant Vohra, IIT Patna; Sunil Kumar, IIT Kharakpur
Biology: S. Johar, M. Sc. State Uni. of New York; Nishtha Gupta, IISc. Bangalore; Bela Arora, JNU
FOUNDATIO COURSE
Second Batch
Classes XI & XII (COHSEM)
Classes IX & X (BOSEM)
Class starts on 6th June 20016

| Class | Subject | Fees |
|---|---|---|
| XI & XII | Maths/Phy/Che/Bio | Rs.12,000 |
| IX & X | Maths / Sciences | Rs. 8700 |

*Fee concession for SC / ST*
........HURRY.......
#Visit askIITians Imphal Tower near Ram Lal Paul Hr. School, Keishumthong.
#: 8794222389 / 8259939476 / 9774738732, Email: askIITians.imphal@gmail.com
HL-B/3079/24,26,28,30 June, 2, 4,6 July.(alt)

ADMISSION OPEN for B.Sc Nursing & GNM 2016-17
Offers Govt. Fees only for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Mess Fee : Rs. 1500/- per month
Location : ANDHRA PRADESH (Vijayawada)
ONLY FEW SEATS LEFT
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
☎ +91 8132088772, 9436009556
HL-P/8694/3-6 & 8-13 July

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংৱাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৪-৭-২০১৬, নিংথৌকাবা, ইঙাগী ৩০ নি পানবা, নুংথিলগী পুং ৪.০৪ দগী ১ নী পানবা, যোগিনি মায়কৈদি চীংখৈ, নুংথিলগী পুং ৪.০৪ দগী নোংপোক

**মেষ ঃ** নুংনাংবা, অকাওবা পীবা মতাংনি। থবক মফমদা অয়েৎপা লকপা, ৱাখল লাংবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হিদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পুক্নিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।

**বৃষ ঃ** মরী মতাগী নুংঙাইতবা পাও লাকপা, মীনা শন মান তৌবীবা, নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথিবা, শাওনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন ঃ** লোয়নবা মখা থাবগা শাওনবা, নীংজবা থুংবা, কান্নবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**কৰ্কট ঃ** মীনা পাওথোকপা, নুংনাংবা লৈরবসু কান্নবা লৈগনি, লন চংবা নুংঙাইবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাওখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৱাহৈ পুথবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**সিংহ ঃ** অকি অখং লাকপা লৈ, শাওনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফংগনি।
লাল্লোল ঃ চাওখৎপা, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, ঘী।

**কন্যাঃ** শাওনিংবা, থবক তৌবদা চনিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্বা, অনৌবা পাও লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ হিদান্নবা লৈগনি, পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং চেৎশন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক

**তুলাঃ** নেুংনাংবা লাকপা, মখা থাবা, জাতী মান্নদবা মীওইগী অয়েৎপা লাকপা, পৈশা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্তনা অমা ঙাংথোকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**বৃশ্চিক ঃ** অৱা নুংঙাই য়ান্নগনি। মীনা পাওথোকপা, অরানবা পোৎ, লৌরী য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোখোক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাওথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎ নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাংবা।

**ধনু ঃ** মীৰা মৈশা লৈবা, লাংতক্লবা, পন্দুনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফংজবা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চীনি অঙাংবা, লৈ অঙাংবা।

**মকর ঃ** শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ুমদা লৈনিংদবা চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ পৈশাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাওনবা, ৱাখল খেৎনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** মরুপ্না য়েক্লবা ওইবা, ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, বুদ্ধি লৌশিং ফগৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ মীয়ামগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাগৈ নাতৈনা পাওথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মিন ঃ** নিংদোন পোম্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ইকায়বা নংবা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চানবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাংবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।